ভেরা কাসলাভসকাগী মরুপ্না লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ওইরকপা

- লৈশাংথেম অজিৎ -

মমাঙগী ৱারেংদা জেকোসলোভাকিয়াগী জিম্নাষ্টিক্কী শান্নরোয় ভেরা কাসলাভসকানা মেক্সিকো ওলিম্পিক্তা সনাগী মেদল মরি অমদি লুপাগী মেদল অনী ফংদুনা গেমস অদুদা সনাগী মেদল খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা শান্নরোয় ওইখিবা খক্তা নত্তনা মহাক্না পাঙথোকখিবা জিম্নাষ্টিক্সকী অঙকপা থৌরমশিং অদুনা মহাক্কী মমিং মালেম শীনবা থুংনা ফাওখি অমদি মশান্না অসি মীয়াম্না হেন্না পাম্নরকপা ওলিম্পিক্কী থৌরম অমা ওইখি। ওলিম্পিক অসিদা মহাক্কী মমিং অমুক হেন্না চৎখিবদি গেমস অসি চত্থরিঙৈদা জেকোসলোভাকিয়াগী মিটর ১৫০০গী লমজেল্লোয় জোসেফ ওদলোকিলগা লুহোংখিদুনা ওলিম্পিক্কী পুৱারীদা অহানবা থৌদোক ওইহনখিবা অদুনি।

মখোয় অনীগী মচানুপা অমগা মচানুপী অমগা ফংখি অমদি কুমজা ১৯৯২দা মখোয় অনী খায়নখি অমসুং মতুং তারকপা মথংগী চহী কুমজা ১৯৯৩দা মচানুপা মার্টিননা মপা জোসেফ ওদলোকিলবু হাৎখি। ওদলোকিল জোসেফ চহী ৫৫ শুখ্রে। মহাক কুমজা ১৯৬৯দা লমজেলদগী পোত্থাখি। অদুবু মহাক্না কুমজা ১৯৬৫দা মিটর ২০০০গী লমজেলদা মিনট ৫.০১.২দা চেন্দুনা মালেমগী রেকোর্দ থমখি। চহী অনীগী মতুং কুমজা ১৯৬৭তা প্রাগতা পাঙথোকখিবা য়ুরোপিয়ন ইন্দোর এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্দা মিটর ১৫০০গী লমজেলদা অনীশুবা তাখি অমদি মেক্সিকো ওলিম্পিক্তা লমশাং অসিদা নিপালশুবা তাখি।

মেক্সিকোগী প্রসিদেন্ট জোস লোপেজ পোরতিল্লোনা জেকোসলোভাকিয়াগী লৈঙাক্তা ভেরা কাসলাভসকাবু মহাক্কী লৈবাক্তা থাবিরক্তুনা লৈবাক অদুগী শান্নরোয়শিংবু কোচিং তৌবিরনবা হায়জরকখি। মদুদা জেকোসলোভাকিয়াগী লৈঙাক অদু য়াম্না হরাওবখি মদুদি মখোয়না মেক্সিকোদগী থাও (পেট্রোল) লায়না লৈবা য়ারগনি। মরম অদুনা মহাক মেক্সিকোদা চৎহনখি। মসিগী মমাঙদা মহাক মীরৈবাক্তা চৎপগী অথিংবা লৈঙাক্না থমখিবনি।

মতাং অসিদা পনবা য়াবদি লৈবাক অদুগী অফাওবা লমজেল্লোয় কুমজা ১৯৫২গী হেলশিনকি ওলিম্পিক্স গেমসতা মিটর ৫০০০, মিটর ১০,০০০ অমসুং মরাথন লমজেলদা সনাগী মেদল লৌখিবা ইমিল জেতোপেকসু জেকোসলোভাকিয়াগী পোলিটিকেল পার্টি অমত্তগী মেম্বর নত্তে। মহাক্তি আর্মিগী লেফটিনেন্ট কর্নেলনি। মহাকসু ‘ৱাহৈ ২০০০গী মেনিফেষ্টো’ (2000 words Menifesto) অদুদা অয়াবা পীদুনা মশাগী খূৎয়েক পীখি। মদুদা কম্যুনিষ্ট পার্টিনা মহাকপু তান্থোকখি। মহাক্কী মিলিটরিগী লেফটিনেন্ট কর্নেল ওইবগী মফম অদু লৌথোকখি। মতাং অসিদনি রসিয়া লৈঙাক্না লৈবাক অসিদা সিফাই ময়াম অমগা লোয়ননা টেঙ্কশিং থৌজিল্লক্তুনা মীওই কয়ামুক হাৎখিবা থৌদোক অমা ওইহনখিবা অসি।

মতাং অসিদা জোতোপেক মিলিটরি ওফিসর ওইবা তোকহনখিবখক্তা নত্তনা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী মেম্বর ওইবদগী তান্থোকখি। মরম অদুনা মহাক থবক শূবা চৎহল্লি। অহানবদা য়ুরেনিয়ম লৈবা মফমশিং হায়বদি য়ুরেনিয়মগী খনিশিংদা থবক শূবা চৎহল্লি। মথংদা জিওলোজিকেল দিপার্টমেন্টতা থবক শূহনখি। মহাক সিমেন্ট (বিলামাটি) ফেক্টরিদা অয়াম্বা মতমদা থবক শূহল্লি। করিগুম্বা মতমদদি লৈবাক অদুগী কোনুং ওইরিবা প্রেগ সহরগী লূ-নানবা, শেংদোকপগী দিপার্টমেন্টতা ঈশিং চাইবগী ত্রকশিং থৌহনবসু য়াওই। কনাগুম্বনা হায়বদি মহাক সহর মনুংদা অয়ূক্তা শুমজিৎ পায়দুনা ৱাই শিৎহল্লি। মহাক অতোপ্পা লোল ঙাঙবা অমসুং ইবা ঙম্মী। মরম অদুনা মীরৈবাকশিংদা ফোঙবা স্পোর্টসকী মেগাজিন অমদি বুলেটিননচিংববু মমালোলদা ৱাহন্থোক হন্দোকহল্লি।

মহাক কুমজা ১৯৮২দা থবক্তগী পোত্থাখি। ৱর্ল্ড রেকোর্দ ১৮ লক থুগাইখিবা ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল মরি ফংখিবা মতিক মগুন লৈরবা মালেম পূম্বনা ইকায়খুম্নরিবা শান্নরোয় অসিবু পোলিটিক্সপু লান্না শীজিন্নবা লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা তৌবীমল খঙদনা, মীনুংশি য়াওদনা কা হেনবা মরাল পীশিন্দুনা মীওইবগী চৎনবীগী ৱাংমদা চৈরাক পীরোইদবনি। লৈঙাকশিংনা করিগুম্বদা মমা লৈবাক্কী মীংচৎ পুরকখিবা শান্নরোয়শিংবু ইকায়খুম্নে। তৌইগুম্বসুং লৈঙাক্লিবশিং অমসুং ফম্নাইবশিংগী মথৱায় নুংঙাইতবা আইননদি য়াবা থবক অমদা হেক মখোঙ থাংজিল্লুবদা লৈবাক্কী মীংচৎ পুরকখিবা শান্নরোয় অদু লৈঙাক্কী য়েক্লবা অদুমক ওইহনখিবগী খুদম কয়ামুক ঐখোয়না মতম অসিদা মীৎনা উবা ফংনরি।

জেকোসলোভাকিয়াগী জিম্নাষ্টিক তৌবী ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন অমসুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবীবু লৈবাক অদুগী লৈঙাক্না হৌখিবা চহী ১১ অদু লৈবাক অদুগী ৱাংমদা চৎপা য়াদে হায়না অথিংবা থমখিবনি। অদুবু মেক্সিকোগী প্রসিদেন্ট জোস লোপেজ পোরতিল্লো মহাক্কী লৈবাক্না ভেরা কাসলাভসকাবু মহাক্কী লৈবাক্কী জিম্নাষ্টশিংবু কোচিং তৌবিনবা থাবিরকউ হায়জরকপদা মহাকপু থুনমক লৈবাক অদুদা থাখি। মরমদি লৈবাক অসিদগী জেকোসলোভাকিয়ানা থাও (পেট্রোল) লৈবা য়ানবনি।

কুমজা ১৯৮৯দা কম্যুনিষ্টকী লৈঙাক অদু মীয়ামগী ঈহৌদগী নমথখি। মরম অসিনা ভেরা কাসলাভসকাগী লম্বীদা খুরৌ থাংনবা অমত্তা লৈত্রে। মহাক্কী মরুপ, লাইরিক ইবা ভাক্লাভ হাভেল (Vaclav Havel) না লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ওইরে। মহাক্না জেক নেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইরে অমদি ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মেম্বর ওইনসু খনখ্রে।

জিম্নাষ্টিক্স অসি কুমজা ১৮৯৬তা এথেন্স সহরদা পাঙথোকখিবা অহানবা ওলিম্পিক গেমসতা থৌরম অমা ওইনা য়াওহনখিবা অদুদা জর্মনিগী হরমেন ৱেইনগারটনরনা হোরাইজোন্টেল বারদা অমসুং মহাক্কী মরুপ লৈবাক অদুগী আলফ্রেদ ফ্লাতোনা পেরেলেল বারদা মকোক ওইখি। আলফ্রে ফ্লাতোদি পেরেলেল বারগী টিম অমসুং হোরাইজোন্টেল বারগী টিমগী অথোই অহেন তান্নবদা জর্মনি টিমগী মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা মরম্না থৌরম অনী অসিদসু অহানবা মনা ওইনা মেদল ফংখি। পেরেলেল বারগী টিম কম্পিটিসন্দা গ্রিসকী টিম অনীনা শরুক য়াখি। মদুদা অহুমশুবা তাখিবা গ্রিসকী টিম অদুগী শান্নরোয় ওইনা শরুক য়াখিবা চহী ১১ ফাদ্রিবা দিমিত্রিওস লাওন্দ্রাস গ্রিসকী নেভি ওফিসর ওইদুনা অহানবা অমসুং অনীশুবা লাঞ্জাও অনীমক্তা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়নি।

খৃষ্ট মমাঙ ১৪৬তা রোমানশিংনা গ্রিসপু মায়থীবা পীরবা মতুংদা মখোয়না গ্রিসতা অঙাং অহল খাক্তনা জিম্নাষ্টিক্স তৌরম্বা অমদি জিম্নাষ্টিক্কী লমজেল তৌরম্বা উরকখিবদগী জিম্নাষ্টিক্সকী কান্নবা অসি খঙলকখি। ফিলোষ্ট্রাটসকী মতুংইন্না জিম্নাষ্টিক্স অসি ফিলোজোফি, শৈরেং, ঈশৈ, জিওমিত্রি অমসুং এষ্ট্রোনোমিগা চাংদম্নবা য়াই হায়রি। মমাঙঙৈদা এথেন্সতা হকচাং শাজেল অমদি হকচাং ফনবগী মরমদা মহৈ তম্বীবগা লোয়ননা হিষ্টরি, জিওগ্রাফি, ফিলোসোফি অমদি লানগা মরী লৈনবা মহৈশিংসু তম্বীরম্মী। মরম অসিনা মশান্না অসি মালেমগী মমীং চৎপা য়ুনিভর্সিটিশিংদা মরু ওইবা পাড়া অমা ওইনা মহৈরোয়শিংদা তম্বীদবা য়াদবা মচাক অমা ওইরি। ●

ষ্টেটকী পাউ

কংলৈ লমদম অসিদগী কেপিটেলিজম মৱ্ধ ফুকপা হৌরগনি : পিপলস ৱার গ্রুপ

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) :

হৌজিক কংলৈপাক য়াওনা মালেমগী মফম পূম্বদা কোভিদ-১৯না মরু ওইনা নোংমগী শূর-নোল্লগা পুকচাক পুজরিবা লৌমী-শিন্মীশিংনা পুকচাক্কী অচৌবা লান অমা থেংনরিবা অসিদা ইরমদম অসিদা কেপিটেলিষ্ট গ্রুপ খরনা লৌমী-শিন্মীনা নম্না লৈবা খুন্নাই অসিবু ঙম্মী মতাগুম তুহৎ-নৈহৎপা হৌরে হায়বগী চপ চাবা ইনফোর্মেসন ফংবা লৈরে। মরম অসিনা কংলৈ লমদম অসিদগী কেপিটেলিজম মৱ্ধ ফুকপা হৌরগনি হায়না পিপলস ৱার গ্রুপ (মাক্সিস সেন্টর) গী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, শেন্দোংগী খল্লগা ময়াই কাবা চিঞ্জাক লল্লোনবা, মশা-মশাগী লাইন ওফ বিজিনেসকী ৱাখলদা মীয়াম্বু অকি অখং পীরকপা পূম্নমকপুসু লূপ অসিনা চপ চাবা পাড়া তম্বীবা হৌরগনি। মমাঙথক্তা লূপ অসিনা লন্নাই শেন্দোই চারিবশিং অমদি মাইক্রোফাইনান্স গ্রুপশিংনা মালেম পূম্বদা তু জুংহল্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি লাকশিনবা ঙমদুনা নোংমগী শূর-নোল্লগা পুকচাক পুজরিবশিংনা ফীভম ফগৎলক্ত্রিবা ফাওবা মখোয়গী ওইবা থবক থৌরমশিং তৌদনবা ৱারোল অনীরক থোক্তুনা খঙহনখিবা লৈরে। ঙসি কেপিটেলিষ্টশিংনা মনিংতম্বদা অথিংবা পীদ্রবা লৌমী-শিন্মীশিংগী মায়োক্তা লৈবা লৈঙাক অসিগী মরুমদা লৈরিবা শেঞ্জাও পায়বা ভেম্পায়রশিংনা লায়রবা মীয়ামদগী ঈ-চুপ্পগা পেঞ্জবা মতৌ অদুমক উথোরক্লি। অসিগুম্বা লায়রবা মীয়ামদগী ঈ চুপ্লিবা ভেম্পায়রশিং অসিনা মখোয়গা মান্ননা চৎমিন্নরিবা বুজ্বা ফেমিলিশিংদা অৱাবা পীদ্রবসু লায়রবা লৌমী-শিন্মীশিংদা কয়ামুক অৱাবা পোৎলুম থাঙ্গৎলি হায়বা খন্থবগী মতম অদু হেন্দোক্লে হায়বা খঙহন্নবা লূপ অসিনা শেম-শাবা লোইরে। হৌজিক্কী ওইরিবা তানফম অসিদা লন্নাই শেন্দোই চাবশিং অমদি মাইক্রোফাইনান্স গ্রুপশিংনা মখোয়গী থবক থৌরমশিং লেপ্পদা চরা হেল্লগদ্রা হায়বা অসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি।

শূরগা চাবা শূদ্রগা চাদবগী পুন্সি মরেল অমদা হিংলিবা লায়রবা লৌমী-শিন্মীশিংনা হৌজিক ৱারিবা অসিদগী শেঞ্জাও পায়বা ভেম্পায়রশিংনা হেন্না ৱারব্রা? য়াম্না চানদবা রিজন খরদা বেজ তৌদুনা মখোয়গী জিনদা য়াওরবা মীয়ামদগী ঈ চুপ্পগী থবক হৌগৎলকপা অসিদি মীয়াম্বু শিংনবনি, লূপ্পু শিংনবনি। মরম অসিনা পিপলস ৱার গ্রুপ (মাক্সিস সেন্টর) না তরাইনা লৌদে হায়নসু চেরোলসিনা মখা তারি।

মীঙোন্দা শীংজংনা য়াল্লুবা ১ জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস): ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৪০ রোম তারকপদা নাওরেমথোং তখেল্লম্বম লৈকাইদা নুপামচা অমবু শীংজংনা য়াল্লুবা মীওই অমা কোর্টনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে।

ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্টনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রবা মীওই অদুগী মমিং থোকচোম তোমী (৩৮), অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ বাবুমচা কৌই, নাওরেমথোং তখেল্লম্বম লৈকাইদগীনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈকাইসিদগী ৱারেপম অনীতা (৪৫), মপুরোইবা দল্লিয়ু দিনেশনা ঙরাং নুমিদাংমক রিপোর্ট তৌরকপদগী ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা কেস এফ আই আর নম্বর- ১০৪ (৬) ২০২০ অন্দর সেক্সন ৩০৭/ ৩২৬ আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

পুলিসকী মায়কৈদগী থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা টি ঐচ তোমীবু জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ তৌবীনবা কোর্টতা পুথোরক্তুনা তৌরকখিবা প্রেয়রনা হায়বদা মীওই অসিনা মশাগী চহী ১৮ খক্তা ঙাইরিবা লৈকাইসিদগী নুপামচা ৱারেপম ভোপেন্দ্রো এলিয়স মোনাও (১৮), অপোকপা দল্লিয়ু রুপচন্দ্রবু শীংজংনা ওই থংবা খুনিংদা য়ানবনি হায়রি। শোক্লবা নুপামচা অসি অহানবদা রিমসতা পুখৎতুনা লায়কন্নরবা মতুংদা নোর্থ এ ও সীগী রাজ মেদিসিটিদা ইমর্জেন্সি ওপরেসনগীদমক রিফর তৌখ্রে হায়রি।

লোয়ননা চেন্নরিবা মীওই অসি ঙরাং নুমিদাং পুং ১১.১০ রোম তারকপদা ফাবগা লোয়ননা মঙোন্দগী শীংজং ১, ৱানা মখোক পানবা থাঙশাং ১ অমসুং থাঙ অমা রিকোভর তৌরে হায়রি।

ꯑꯣꯅꯂꯥꯏꯟ **ONLINE CLASSES** ꯀ꯭ꯂꯥꯁ

ENGLISH & RHYMES COURSES

CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-P/7003/16,18

হায় কোর্টনা মীওই ৩ এন্টিসিপেটরি বেল পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্টকী অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসননা খৎন-চৈনবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অমদগী মীওই অহুম হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা এন্টিসিপেটরি (প্রি-এরেষ্ট) বেল পীখ্রে।

ঙসি জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চনা ভিদিও কনফরেন্সিংদা লৌখৎতুনা খন্নখিবা এন্টিসিপেটরি বেল নম্বর-১৩ ওফ ২০২০গা মরী লৈননা হায়রিবা বেল অসি পীখ্রবা মীওইশিং অদুদি য়াইরিপোক য়াম্বেম মথক লৈকাইদগী লৌরেম্বম গোপেন (৪৮), অপোকপা এল তোম্বা, লৌরেম্বম ইবোহনবী (৪৮), অপোকপা লৈখিদ্রবা এল বাবুধোন অমসুং মাইবম তোম্বা (৪৫), অপোকপা এম থোইবনি।

মখোয় অহুম্না অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ (ও সী) গী মথক্তা পুলিস ষ্টেসন অসিনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বর- ১৮ (৩) ২০২০ অন্দর সেক্সন- ১৮৮/ ২৬৯/ ৩০৭/৩২৫/ ৩২৬/ ৪২৭/ ৩৪ আই পি সীদগী এন্টিসিপেটরি বেল পীবীনবা হায় কোর্টতা হায়জরকখিবনি।

কোর্টনা এ বি নম্বর- ১৩ ওফ ২০২০ অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা এদভোকেট সয়েদ অহম্মদ মুরতাজানা এসিষ্ট তৌখিবা সিনিয়র কাউন্সেল এন জেতেন্দ্রোনা তৌখিবা সবমিসনশিংদা মীওই ৩ অসিনা কেস অসিদগী এন্টিসিপেটরি বেল পীবীনবা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্টতা ক্রিমিনেল মিসেলিনস (এ বি) কেস নম্বর- ২৩ ফাইল তৌখিবনি। অদুবু কোর্ট অসিনা প্রেয়র অসি রিজেক্ট/ দিসমিস তৌরকখ্রগা অন্দ্রো পি এসকী কেস অসিগী কো-এক্যুজ খরবুদি সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্টনা মমাং থাগী ৩০দা পীখিবা ওর্দর অমনা এবসোলুট বেল পীখি হায়না ফোঙদোকখি।

ৱাফমশিং অসিগী মায়োক্তা পব্লিক প্রোজিক্যুটরগী মায়কৈদগী রেস্পোন্দন্টনা ওবজেক্সন ফাইল তৌরক্ত্রিবা ফাওবদি হায়রিবা বেল অসি পীদনবা আর্গ্যুমেন্ট তৌরবসু কোর্টনা মীওই ৩ অসি থা অসিগী ১৬ ফাওবা ফাদনবা দিরেক্সন পীখিবগা লোয়ননা নুমীৎ অসি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন ফাইল তৌরক্নবসু খঙহনখি।

[illegible] / ‘থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচবা’

লমলেন সনা-সেরৌদা শাফোংবীরিবা/ঙাম্থোইবীরিবা ইবুধৌ ৩ (অহুম) গী লাইকোল শেমগৎ-শাগৎপগী মপূং ফাহনবদা য়াম্না চাউনা মতেং পাংবীরকখিবা লৈখিদ্রবা ‘অহল ইবুংঙো’ মৈস্নাম মোধুমঙ্গল সিংহ, প্রোপ্রাইটর, এম এম গ্যাস, লমলানপুংদা লৈবনা হৌখিবা চৈচৎ ০৫/০৬/২০২০, ইঙাগী ১৫নি পানবা ইরাই নুমিৎতা ইবুধৌগী খুয়াখাদা চঙজখ্রে।

ইকায়খুম্নজবগী মশক ওইরবা অহল ইবুংঙোনা হিংলিঙৈদা মৈতৈ ঐখোয়গী ইপু-ইপাগী হৌরকফম ওইরিবা, তাইবঙ অচৎ-চৎতা পূম্বগীসু হৌফম-লোইফম ওইরিবা খা-না চাউবা ৱাংপুরেল ইবুধৌগী লাইকোল মপূং ফাহনবদা অচৌবা থৌগাই লৌবিরম্বনা, মপু মানা তম্বীরকপা চৈশীং শুরদুনা, মপুগী খুয়াখাদা হৈরাংগী হৈনমগুম, লৈরাংগী লৈনমগুম্না তিল্লুনবগীদমক অমদি লাক্কদৌরিবা ইবুধৌ ৩ (অহুম) গী ‘অচুম্বা-অশেংবা-অয়িংবা’ মালেমদা মৈতৈ ইয়েকচা অমা ওইনা হনবিরক্লবা অমদি লৈখিদ্রবগী য়াইবিরেন থৱায়না ঈংনা চিক্না লৈরুনবগীদমক খা-না চাউবা ৱাংপুরেন শিস্থা অপুংবা, সেরৌগী শিস্থারোয়শিংনা ইবুধৌবু থাগোঞ্জদুনা অমদি লৈখিদ্রবগী থৱায় মিরেনগী মফমদা ৱাংলেন মীকূপ খরদং তুমিন্না লেপ্তুনা থৌগল্লোন পাঙথোকচখ্রে।

নোল্লুকচরিবী : **Yengkokpam Indira**
President
Kha-na Chaoba Wangpurel Sintha Apungba,
Serou

HL-P/7101/10

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE
2nd Floor, Directorate H/Q Building, Near 2nd M.R. AT line, North AOC, Imphal 795001

NOTICE FOR INVITING TENDER
Imphal, the 5th June 2020

No.1/589/2011-SW/1712 : The Department of Social Welfare, Government of Manipur, invited from interested Security agencies/firms for providing Security Services for the various Institutions and Homes Functioning Under the Directorate of Social Welfare Department, Manipur. The scope of work, instruction to the agencies/firms, eligibility criteria and prescribe format etc., may be downloaded from the websites i) www.manipur gov.in ii)www.socialwelfaremanipur.nic.in

2. Tender is to be submitted in the Department of Social Welfare, Government of Manipur 2nd Floor, Directorate H/Q Building, Near 2nd M.R. AT line, North AOC, Imphal 795001.

Critical dates of bids are as follows:

Sl. no.	Particulars .	Details
1.	Date of issue of RFP	Dt. 8th June, 2020
2.	Last date of receiving quaries	Dt. 20th June 2020
3.	Last date and time for receipt of RFP	Dt. 22nd June 2020 upto 3.00 p.m.
4.	Date and Time of openings of Technical bid	Dt. 22nd June 2020 at 3.30 p.m.
5.	Opening of Financial bids	24th June,2020,11.30 a.m.
6.	Validity of Bids	60 days
7.	LOA(Letter of Award) and signing of Concession Agreement	Within 30 days award of LOA
8.	Name of the Contact Officer for quaries and clarification	The Deputy Director(Social Welfare), Social Welfare Directorate, 2nd Floor, Directorate H.Q. Building, Near 2nd M.R, AT Line, North AOC, Imphal 795001, E-mail : wbswaikhom@yahoo.co.in Mobil: 8131947029
9.	Address for Submission of Proposal	The Director(Social Welfare), Social Welfare Directorate, 2nd Floor, Directorate H.Q. Building, Near 2nd M.R, AT Line, North AOC, Imphal-795001,E-mail:directorswmanipur@gmail.com

3. Modification/Amendment/Corrigendum, if any, shall not be advertised in the newspapers, but shall be uploaded in the website i.e.www.socialwelfaremanipur.nic.in

This is issued with the approval of Government vide order No. 6/10/2014-S(SW) dated 16th July, 2019.

Sd/- Ngangom Uttam Singh
Director (Social Welfare),
Manipur.

HL-B/6203/10

[illegible]/GAS BOOK LOST

I have lost my Gas Book bearing Consummer No. CX19343382 issued by M/s Hrangchal Gas Agency on the way between Old Lambulane and Nongmeibung on 9/6/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- N. Sorojini
# 9612630878

HL-P/6800/10

[illegible]/GAS BOOK LOST

I have lost my Gas Book bearing Consummer No. CX28658478 issued by M/s Hrangchal Gas Agency on the way between Old Lambulane and Nongmeibung on 9/6/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Naorem Sanatombi Devi
# 9612630878

HL-P/6800/10

[illegible]/GAS BOOK LOST

I have lost my Gas Book bearing Consummer No. CX2865966 issued by M/s Hrangchal Gas Agency on the way between Old Lambulane and Nongmeibung on 9/6/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Nongthombam Gunita Devi
# 9612630878

HL-P/6800/10

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / লায়েংজরি

মখাগী অনাবশিং অসি লায়েংজরি :- চহী ৮০-৯০ শুরবা মতম কুইনা নারবা, শেংনা ফখ্রগা অমুক হৌরকপা লায়নাশিং হীদাক-গুলি য়াওদনা য়েংজরি। কোক চিকপা, ঙাওবা, লুম্বা, লৱাই শাবা, সাইনস, নাহি তাবা, খৌনাও তোন্সিল, খোন শিবা, হাবা, ফুনগৎপা, ঙকলি পৈবা, বি পি ষ্ট্রোক, নাতোন, মিৎ চিংবা, পৈবা, খোঙ-খূৎ শেকপা, খ্বাং নাবা, কোনবা তিংহনবা, নাকোং ঙংবা, পংবা, তাবা ৱাৎপা, লোক কংখু এজমা, লাই-নুংশিৎ, ঙাওরি-শোরিবা, লিন হাৎলুবা, পেরলাইসিস, হাকৎচবা, ব্র-ব্র পৎপা, কেন্সর, ষ্টোন কেস, লিভর কেস, হার্ট, শ্বর হোনবা ৱাবা (পাইলস মখলশিং) ঈ তাবা, চক-চক থিনবা, কক্লাই, পোমথোকপা, শৌজ নাম্থবা, য়া-য়ারি পোম্বা, দাইবেটিস, হীদাক-গুলি চাররোই, ইন্সুলিন কাপ্পরোই, চিঞ্জাক কক্লরোই, সুগর ৱাংহন্দবা য়ারনি। খুকউ, খুনিং, খূৎ পায়থোক-পায়শিন য়াদবা, গাউথ, মিৎ পি তাবা-চিকপা, মশেং মরাং উবা, নোর্মেল পাংবা ঙমদবা, অপোম-অতং, হাক্কৎচবা, ফুরি-ফুনাই, শজিং হৌবা, খোঙ্গ্রাই চনবা ঙমদবা, নিঙ্গাংনা ফম্বা ঙমদবা, লৈয়েং ফাইবা, গ্যাষ্ট্রিক, নুপীগী ফিনুংগী অনাবশিং অমদি অনাবা মখল খুদিংমক মায় পাক্না লায়েংজরি।

লায়েংফম :- **Kwakeithel (Near) Lai Nongshaba (Mamang)**
Contact No. 8974671844

HL-P/6799/10

ꯊꯥꯒꯠꯄ / ‘নূংশঙ লায়নাগীদমক্তা ওজা কবিরাজ ABDUL HAK মতিক চাই’

ওজা অবদুল হক্কী লায়েং মখাদা ঈশাদা লৈরম্বা পাইলস লায়নাগী হিদাকশিং চাং নাইনা চাজবদগী অমসুং মপুগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফজরে। ওজাবু হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি অমসুং পুন্সি নুংশাংনা মীয়ামগী থৌগল ফংবিখো হায়না মপুদা থৌনিজরি। ঙসিমক তানবীয়ু ওজাগা। পাইলসকী অনাবনা খ্বাং নাবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওবা, খোঙ হাম্বা মতমদা চেকখাইরগা থুপ্পা-শাবা, শৌজ নাম্থবা, চিকপা-নাবনা হক-হুম লাউবা, অমাংথোঙ মপান্দা ফুরিদৌনা অপোম্বা লৈবা, ঙকশম মরী নাবা অমসুং চানীং-থকনীংবা পোক্তবগী অৱাবা লৈবশিং।

ওজাগী লায়েংফম :-

1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

থাগৎচরিবা : **N. Prakash Khundrakpam**

HL-P/6782/10

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।